থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কুইনা তূম্বা তান্নবগী ‘মনা’

ঐখোয়না করিগী তূল্লিবনো? ৱাহং অসি মীওইবনা মশাদা হংজরক্লিবসি কুইরে। নহা ওইরিঙৈ চাং নাইনা পারম্বা ‘সাইন্স রিপোর্টর হায়বা জর্নেল অদুদা ইতৎ তত্তনা থেংনরকখিবা/পারকখিবা আর্টিকলশিংনি- হ্বায় দু ৱি স্লীপ (ঐখোয়না করিগী তূল্লিবনো)? হ্বাৎ হেপ্পন্স হ্বেন ৱি স্লীপ (ঐখোয়না তূল্লিঙৈদা হকচাং মনূংসিদা করি করি থোকপগে)? সাইন্তিফিক আর্টিকল অমা নত্তে ইগে হোৎনজরুবা। ইশামকসু সাইন্তিষ্ট নত্তে। সাইন্তিফিক ওইবা ৱারোলশিংদু ইজররোই। তূম্বগা মরী লৈনবা, কম্মন ওইবা ৱারোল খরদং ইনীংবা পোল্লক্তুনা, কাউখ্রবা নীংশিংবগী লামায়শিংদু হাংদোক্তুনা শান্নরুবনি। শান্নরুবগী মরমসু- ঐগী মরুপ অমনা ‘তূম্বগী অথোয় অহেন তান্নবা’ (কম্পিটিসন) অমগী পাউ তল্লকখিবদুননি। ৱাফমদু কোন্না তমজরক্কে।

ৱি স্লীপ তু রিগেন আউর লোষ্ট ইনর্জি... ঐখোয়গী মাঙখ্রবা পাঙ্গল হনজিল্লক্লবা তূল্লিবনি... অসূম্না ইচম চম্না, ইলায় লায়না খন্নরম্মী মতম অমদা। মাঙখ্রবা (শীজিন্নখ্রবা) ইনর্জি অমুক হনজিল্লক্ল বগীদমক ওইরবদি- তূমদ্রবসু, ঙাইহাক ফমদুনা/হীপ্তুনা পোত্থারগা পাঙ্গলদু অমুক হনজিল্লকপা য়াইনা! হেক্তা তূম্মীংলক্লিবা করিগীনো? থবক সূবা/সূদবগা, তূম্বা/তূম্মীংলকপগা অনীসি মরী লৈনদে। নোং-ঙাল্লকপা, মীৎসিনা মঙালদা হেক এক্সপোজ তৌরকপগা ঐখোয়গী ব্রেন (থোপ) মনূংসিদা ‘এদিনোসাইন’ হায়না খঙনবা ওর্গানিক কম্পাউন্দ অমা মথন্নতা (নেচরেল্লি) শুংজরকই। নুংথিলগী মতম অসুম অসুম য়াঙশিল্লকপগা ‘এদিনোসাইন’গী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলকই। মদুনা তূম্মীংবা ফাওহল্লকই। তূমথখ্রবা মতুংদা কম্পাউন্দ অসি কায়থরকই, ব্রেন-দাউন তৌরকই। ৱামাঙ ওইনা য়ানজবনি, মখা অমুক তাজরোই। ঐনা খঙদবা এরিয়ানি, হায়নীংঙাইসু লৈজদে।

পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদগী হৌরগা, কাফে কাফে চৎলকপা, পুমকক চাউরকপা, মথোৎ কারকপা, নহা ওইরকপা, মীয়ায় চল্লকপা অমদি অহল ওইরকপা... মীওইবগী চহী তাঙ্ককশিংসিগী মতুংইন্না, হকচাং ফনা লৈনবগীদমক নোংমা (পুং ২৪)গী মনুংদা তঙায়ফদনা তূমগদবা পুংশিং এক্সপর্টশিংনা কক্তুনা থম্মী। পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি, শন্দোক্না অমুক হায়জরোই। এক্সপর্টশিংসিগী মত মতুংইন্না ৱারেঙজরিবা ইশাগী চহী তাঙ্ককসিদা তঙায়ফদনা তূমগদবা পুংশিং ৮দগী ১০ ফাওবনি। অদুগা, ঐনা তূম্বা ফংলিবনা- সূপ্নগী পুং ৪ খক! হৌখিবা থা অহুম-মরীসিদা, ৱাখলসিদা খঙহৌদনা অকনবা চৈনা পীবা থৌদোক অমা থোকখিবদগী তূম্বা য়াদবা অহীং কয়াগী এক্সপরিয়েন্স অমা মায়োক্নরকখি। মীৎ কক্লা অমা উইশিন্দনা, মীকূপ অমা ফাওবা তূমদনা অহীং কয়ানি লেনখিবা। সাইকিয়েত্রিষ্ট তানরগা ঙাইহাক্তং ওইরবসু তূম্ননবা হোৎনখি। তূম্ননবা গুলি (কাল্মপোজ) অমা চাবদা অশিবগুম পোত্থাগদবদু অনী চার’ফাও তূম্বা য়াদবগী থাক্তু লাকপদা ঐহাক য়াম্না ৱাখি। হ্বিস্কী পেগ খরগী মতেং লৌরগা তূম্ননবা হোৎনখিবসু কোঙ্গায়নি। ৱানা হোৎনরগা তূমথখিবদু পুং অমা/অনীগী মতুং, মীকপ থোক্লক্কনি। য়ূমসিগী, লৈকায়সিগী ৱাংমদা, চীংনুং-মান্নুং, কনামত্তগী মীখোল তাদবা মফম অমদা ইদোম লৈরগা অৱাবদু কোক্কদ্রা... খনখিবনি কয়ারক। পুন্সিগী এক্সপরিয়েন্স অমনি খন’ মায়োক্লখি, মায়োক্লরি। পুং অহুম-মরী তূম্বা ঙল্লকপসি, অৱাবদুদই নাম্থোকপা হৌরক্লবনি খন, কয়াদা নুংঙাইজরিবা! ৱাখলসিদা পীরিবা চৈনাসিদি কোকপা লৈত্রিবনা, লায়নাসিদই নাম্থোকপদি মতম খরা চঙখিগনি- ঐ খঙই। তূম্বা য়াদবা, তূম্বা ৱাৎপা, স্লীপ দিসওর্দরনা হকচাংদা থোকহল্লকপা য়াবা অমাঙবশিং- অখঙ অহৈ, দাক্তরশিংনা হায়রিবদু হকথেংননা খঙলবনি। ৱারেঙসিদা অমুক পল্লুবগী কান্নবা লৈতে। ময়ামদুগী মরক্তা, ঐবু খজিক্তং নুংনাংহনবা ৱা হায়ববু ‘সোর্তনিং ওফ লোঞ্জভিতি/লাইফ’ (পুন্সি তেনশিনহল্লি) হায়বদুনি, কনাসু থুনা শিনীংদবনিনা। অদুবু ‘ঙসি শিনি পাউচেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে’ হায়নরম্বনিনা, শিবা হায়বসি ঐগী খুৎতা, ঐগী কন্ত্রোল মখাদা লৈতে হায়বা ৱাখলদুনা অমুক কনসোল তৌজে, থেমজীনজৈ ইশাবু।

অসিগুম্বা তানফমদনি ঐগী মরুপ অদুনা ‘তূম্বগী কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখি, কোলকাতাদগী মীশক অমনা লুপা লাখ তরাগী অহানবা মনা ফংখি’ হায়বগী পাউ অমা তম্লকখিবা। কনানা, কমদৌনা, করি ইন্টরেষ্ট’তা পাঙথোক্লিবনো? প্রাইজ’দু কনানা স্পোন্সর তৌবনো? খঙনীংলকখি। ইন্টর্নেটকী যুগনিনা, মালেমগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক অমগী পাউ থিবদি থোইনা লুবা থবক নত্তে মতমসিদা। খঙলকই- ‘ত্রিপর্না চক্রবোর্তি’ কৌবা, চহী ২৬ শুরবী, কোলকাতা নিংঙোল অমনা নুমীৎ চামনি থংনা থংননা নোংমদা পুং মাপল তূম্বগী রেকোর্দ থমদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা স্লীপ-চেম্পিয়ন ওইদুনা লুপা লাখ মঙাগী অহানবা প্রাইজ ফংখি’। লুপা লাখ তরাগী অহানবা মনা ওইরমদে। লাখ তরানা শীনবা প্রাইজ ওইরম্মী। লুপা লাখ অমমমগী মনা ফংবা মীওই মরী অমগসু য়াওরম্মী। লেমহৌবা লাখ অমদুনা কনাদা কমদৌনা পীখিবা- পাউগী লীখুনসিদা ইরমদে। অদুগা, কম্পিটিসন অসি করিগীদমক শীল্লিবা? ’সিমসু তাক্তে ময়েক শেংনা। কোন্না, কুপ্না থিজিল্লুরগা খঙলই- ‘ৱেকফিত’ কৌবা কম্পনি অমনা ‘স্লীপ ইন্দিয়া স্লীপ’ হায়বা স্লোগান অমা শেল্লগা, কম্পনিসিনা পুথোকপা তূম্বদা শীজিন্নবা পোৎ য়োন্ননবা পাম্বৈ/পোথি অমা পুথোকপনি। ‘ৱেকফিত-কম্পনি’না পুথোকপা মোম্পাক্তা হীপ্লগা, ৱেকফিত-মোন খাঙলগা, ৱেকফিত-পোম্ফি সূপ্তুনা তূম্লবদি তূম্বা য়াদবগী অৱাবা/প্রোব্লেম অমা মায়োক্লরিবসি লৈরোই- হায়বা পাউজেল অসি পীননবা হোৎনবনি। তূম্বা য়াদবা/স্লীপ দিসওর্দর হায়বা লায়না অসি লায়েংনবা... সাইকিক ওইরবা প্রোব্লেম অসি মায়োক্লবদা মতেং পীবগী পান্দম’দা পায়খৎলকপা থৌরাং নত্তে। মোম্পাক-মোন-পোম্ফি অমদি অতৈ তূম্বদা শীজিন্ননবা পোৎলমশিং- লুপা লাখ তরা’না মনা ওইবা তূম্বগী কম্পিটিসন য়াওনীংবা মীওইশিংদা য়োনশিন্নবগী হৈ-শিংনা য়াৎপা থৌশিল অমনি। শেন্দোং তানবা, পোৎ য়োনবদুনা ‘প্রাইমারী মোতিভ’ ওইবা থৌশিলনি। লৈত-লায়রগী/নীংবা থুংদবগী সোসল দিজিজ অমনা পাক্লা-শন্না নারবা, নীংথিনা তূম্বা ফংদ্রবা লৈপাকসিগী সিটিজেনশিংদা অচৌবা শেন্থং অমা, কুইনা তূম্বগী মনা ওইনা ফংগনি হায়বই মঙ মঙহল্লগা লুপা ক্রোর কয়াগী শেন্দোংনি খোমগৎলিবা। ইতীক-ইপা চাদনা নোংদোনথক্কী থাজবু খুৎনা লামগে খল্লুদবা, সূরগা ফংবা খুৎশুমলদুনা ফংলোইদবা লন-থুম পৈশিনবগী মঙ মঙলুদবা... চরুগী মোম্পাক্তা হীপ্লবসু খো-খো নাখোক্তুনা তূম্বা ঙমজবা পূক্লিংগী থাক অদুদা অমুক্তং হাইগৎনবা হোৎনসি। অদোমদি খঙদে, ঐগী ওইনদি অচুম্বনি- প্রাইজদুগী ৱাখল খল্লুরবা, পুং মরিখক তূম্বা ঙম্বগী থাকসিদা হাইগৎচরক্লিবসি, অমফাও’ তূম্বা ঙল্লক্লোই।

লৌশিং পুক্কে

# চাবা-থকপগী মওং শোয়বনা

## মীওইবগী হকশেলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং খঙজিনসি



চাবা-থকপগী মওং শোয়বনা মালেমদা লৈরিবা মীওই কয়া হকশেলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবগা লোয়নবা অঙাং চাদা ২৫ রোম চাউদম থীহল্লে হায়না ফূদ এন্দ এগ্রিকলচর এক্সপর্টশিংগী পেনেল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফূদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও) দা পীশিল্লকখিবা রিপোর্ট অমদা ‘গ্লোবেল পেনেল ওন এগ্রিকলচর এন্দ ফূদ সিষ্টেম্স ফোর ন্যুট্রিসন’ না হায়খি, কুমজা ২০৩০গী অদুৱাইদা মালেমগী ওইনা অপূনবা মীশীংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা কা-হেন্না নোয়বা নৎত্রগা হকচাংগী অরূম্বা হেনবগী অৱাবা মায়োক্লরগনি। চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং শরুক মরি থোকপগী অমরোম চাউবা হেন্দবা অমসুং চাউদম থীবা ওইহল্লগনি হায়রি।

ঘানাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জোন কুয়োর অমসুং য়ু কে গভর্ণমেন্টকী চীফ সাইন্টিফিক এদভাইজর ওইরম্বা সার জোন বেদিংটননা লুচিংবা পেনেল অদুনা হায়খি, মীওই বিলিয়ন অনীরোম মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা মরম্না তোঙান-তোঙানবা ভিটামিন অমদি মিনরেল ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মদুনা মরম ওইরগা হার্ট দিজিজ, হাইপরটেন্সন, দাইবেটিস অমসুং পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ফেটকী শরুক য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক অমসুং পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা অচোই-অপা কা-হেন্না চাবদগী ফীভম অসি ওইহল্লকপনি।

ঐচ আই ভি অমসুং মলেরিয়া লাকশিন্নবগী মতাংদা মালেমগী মীয়াম্না অপূনবা থৌরাং অমা লৌখৎপগুম হীরম অসিগী মতাংদসু মালেমগী থাক্তা পূন্না হোৎনমিন্নদ্রবদি চহী ২০গী মতুংদা কা-হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভম ওইরক্লগনি হায়রি।

পেনেল অদুনা হায়খি, মৈখু শীজিন্নবা, এয়র পোল্যুসন অমসুং অকোয়বগী ফীভম মোৎপদগীদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা হায়বসিনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা হেল্লি। মচি ওইবা চীঞ্জাক্কী ৱাফম্না তোখায়না থমখ্রগা নুমীৎ খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ৮০০ লোম চাবা ফংদবদগী অরাম-খৌরাংবা মৈচাক খাঙলি। চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং চাদা ২৫ রোমদি চাবা ফংদবদগী চাউদম থীবগা লোয়ননা ৱাখলগী ওইবা অশোয়বা কয়ামরুম লৈহল্লে হায়রি। নুপী ওইবী কয়াসু মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা ফংদবদগী শোইনাইরবা অঙাং কয়া পোক্লি।

ইন্টরনেসনল ফূদ পোলিসি রিসার্চকী প্রোফেসর লোরেন্স হেদাদনা হায়খি, লায়রবা লৈবাক অমা ওইরিবা গ্বাটিমালাগী অঙাং চাদা ৪০ রোম নীংথিনা চাবা ফংদবনা মশাগী চহীগা য়েংনবদা মীওই-মীতৌ চাদবা মীশক হায়বদু ওইরি। ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুং খরখক নৎতনা মালেমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা ফংদে। নোংমগী থোকঅ-থোকঅবা পূক থন্নবদি চায় হায়ববু উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশীং, লোয়ননা প্রোটিন, মিনরেল অমদি ভিটামিন মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক চাং নাইনা চাবা ঙমদে।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী দিপার্টমেন্ট ফোর ইন্টরনেসনল দিভলপমেন্টতা মিনিষ্টর ওইবা জেম্স হ্বাটননা রিপোর্ট অমদা হায়খি, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবনা মীওইবদা পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপগী মথক্তা লৈবাক্কী ওইনসু অমাঙবা ওইহল্লি। মরম হায়ববু লৈবাক অমদা লৈরিবা মীওইশিং মশা-মউ ফৎত্রবদি হায়রিবা লৈবাক অদু পোত্থোক পুথোকপগী চাং নেম্বা মশানা তাবনি। মতৌ অসুম্না অফ্রিকা অমদি এসিয়াদা চহী খুদিংগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) চাদা ৩ দগী চাদা ১৬ ফাওবা মাঙহল্লি।

অমরোমদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা চীঞ্জাক্তা মীপান তাংদনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনরকপদগী চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকপা ঙল্লে। অদুবু অচাবা চীঞ্জাক খরখক হঞ্জিন-হঞ্জিন কা-হেন্না চাশিনবদগী কা হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হেনবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মতৌ অসুম্না চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকপা ঙল্লবা চাইনাদা কুমজা ২০৩০ গী অদুৱাইদদি কা-হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীওই মশীং তঙ্খায় অমা হেনগৎলগনি। মালেম অপূনবগী ওইনসু কুমজা ২০০৫ দা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা মীওই বিলিয়ন ১.৩ ওইরম্বদগী বিলিয়ন ৩.৩ য়ৌরক্লে। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগী মহুৎতা ফেটকী চাং ৱাংবা চীঞ্জাক হেঞ্জিন্না চাশিল্লগা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা মরম্না ফীভম অসি ওইহল্লকপনি হায়রি।

গ্লোবেল পেনেল ওন এগ্রিকলচর এন্দ ফূদ সিষ্টম্স ফোর ন্যুট্রিসনগী দিরেক্টর, প্রোফেসর সেন্দি থোমাসনা হায়খি, নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা মীশীং হেনগৎলকপা মরম্না লাক্কদৌরিবা চহী ২০ গী মতুংদদি মালেমগী মীওই তঙ্খায় অমরোম মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরগনি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা চীঞ্জাক পুথোকপদা অকায়বা থোকহল্লক্লি। মালেমদা নুমীৎ খুদিংগী শিরিবা মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাং ১৬,০০০ কী মনুংদা অয়াম্বদি মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদবনা থোকহনবনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসন্না মেরিটৌরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা খোমিদোক বজারদা ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা অহানবা ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসন মেরিটৌরিয়স কম এচিভমেন্ট এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসনগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসনগী চ্যেরমেন মোহম্মদ সামির শাহ এলিয়স অমুনা ফোঙদোকখিবদা, মীতৈ পাঙল ফুরুপকী মরক্তা নহা কয়া লাইরিক্কী লমদা য়াওশিনবা ঙল্লকপা অসি অফবা খুদম অমনি হায়না লৌই। মসিদা অঙম্বা মতেংশিং পীবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং অসি ফত্তবা চীঞ্জাক, ফত্তবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা লমদম অসিগী অফবা থবক কয়া তৌরক্কনি হায়বগী থাজবদা মহৈরোয়শিং অসিদা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকপনি। মসিদা নত্তনা খোমিদোকনা কোল্লিবা মফমশিং অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা নুপীশিংদা অমদি লায়রবা ইমুংগী মহৈ তম্বদা অৱাবা মায়োক্লরবশিংদা ফাউন্দেসন অসিনা অঙম্বা মতেংশিং পাংগনি।

হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা খোমিদোক বজারনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙল্লবা শান্নরোই কয়াবুসু পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অহানবা ফাটিমা মেমোরিএল ফাউন্দেসন মেরিটৌরিয়স কম এচিভমেন্ট এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এম দি রহৈজুদ্দিন, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. সয়েদ অহম্মদ, পব্লিক হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট হট্টাগী মেনেজিং দিরেক্টর মোহম্মদ তাজউদ্দিন, বার কাউন্সীল ওফ মণিপুরগী এদভোকেট রবি খান, প্রাইম রোজ ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল মোহম্মদ রফি, মণিপুর ক্রিএটিভ স্কুলগী দিরেক্টর মোহম্মদ রহিজ অমদি ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ অয়ুবসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হন্দক্তা হায়দোকখিবা বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা কাইরং, খাবৈসোই অমদি খোমিদোক্কী অকোয়বদা লৈবা মহৈরোয় ১০০ রোমদা মনা-মথুম পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

# ব্লদ দোনেসন কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): ৫৭লকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ অমদি এমসুগী ৫৭লকশুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮-দগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা নুমীৎ মঙানিগী ওইবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি রিমস হোস্পিটাল ব্লদ বেঙ্কতা এমসুগী থৌমী তরেৎনা অরোইবা ওইনা ঈ কৎতুনা লোইশিনখ্রে হায়রি।

দোনেট ব্লদ ফোর কিপ্পিং দ ৱর্ল্ড বিটিং হায়বা থীমদা পাঙথোরকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমদি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অনী অসিদা এমসুগী তোঙান-তোঙানবা থৌমী ১০০ রোম্না ঈ কৎখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।০৯।২০২২ ইং, ইরাই; নুংথিল পুং ১.৫২ ফাওবা লাংবনগী ৬ পাল্লি, মতুংদি ৭ নি পাল্লনি।

মেষ: অঙম্বনা চানবীবা খরা ৱাৎপা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈরসু নীংবা থুংগনি, মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, থৌ পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: য়েক্লববু ঙমজবা, হকচাং নুংঙাইবা, মীয়াম্না থোইনা চানবীবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক কান্নগনি। অদুবু নোল্লুক্না চৎপা অমদি মীতোপকী ৱা লৌদবদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: ফিংবা অমদি অশাওবনা কায়নবা য়াই, য়েক্লবনা তাথি-তপথৌ।অদুবু পাইরক্কী লৌশিং চাওই-কনানসু লাকচবা ঙল্লোই, নক্লবগী মতেং লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: য়েৎনবা অমদি হোয়া ফবদি খরা হন্থৌ-মায়থিবা লৈরোই। অফবা মফম ফংজবা, থবক পাঙবা, শেল-থুমগী লমদা থৌনা ফুদোকপা কান্নবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপা পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: শেন্দোং চাওনা কান্নবা, অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিনবা য়াবা অমদি মীচঙ লৈবা নুমিৎনি। অরাপ্পগী মীগা থৌপাঙমীন্নবদি কান্নবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: অনম তানগনু, লন চৎপনি, হেন্না আশা চাওরুনু নচাক নরলদা তায়নগনি অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎকনি। থৌনাদি হনগনু অমদি কিগনু-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা, অঙম্বনা চানবীবা অমদি মীংচৎ লৈবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপদি মতাং চারোই অমদি ইমুং-মনুংগী খল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল য়াম্না নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: মীংচৎ তানবা মতাং চাবা, মরুপ মপাং অমদি নক্লা লোয়নবশিংগী মতেংনা কান্নবা ফংবা, লৌশিং চাওবা নুমিৎনি। চরাংনবদি মাঙজগনি, অঙম্বনা য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: শেল-থুমগী কান্নবা, মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইজবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নবা অমদি নাপলনা শক-চু থোকলোই-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: অফবা থবক পাঙগনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি ওইজ-ওইথক শোয়দনা ফংগনি। মরুপ মপাংনদি তাথি-ফিংগনু, ফংবা য়াবসু পনগনি-খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: হেন্না চরাংনবা অমদি খুৎ চাওবনা মাঙজবা নুমিৎনি। নহৈ/নচাক নরলদি চাওখৎপা অমদি ঙাং-শাকপা য়াম্না হৈবা লৈ। য়েৎনগদবা মরদদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, পল্লম্বা থবক অমদি শেল-থুমগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি। অরানবা ৱাখলদৈ চেকশিল্লু। অখঙ অহৈগী ৱা থওইদবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# চীংদা কোয়রুসি ইতাও

## তুশার নোংথোম্বম

